FOREX (INDIA RUPEES)

FOREX NAME	INDIAN RUPEE
Euro	86.672194
US Dollar	74.504121
British Pound	96.200293
Australian Dollar	52.509658
Chinese Yuan Renminbi	11.136796
Japanese Yen	0.710904
Malaysian Ringgit	17.917855
Singapore Dollar	54.547907
South Korean Won	0.065669
Saudi Arabian Riyal	19.867766
Thai Baht	2.392549
Myanmar Kyat	0.05781
Bangladesh Taka	0.87834

Spot Gold (24K) Rates/10gm

Chennai	–	Rs	50660.00
Mumbai	–	Rs	50770.00
Delhi	–	Rs	50717.00
Kolkata	–	Rs	51078.00

GAS NEWS

M/s K&K INDANE SERVICE
Booking upto sl.no.150 A&B of 22/09/2020
Valid from : 14/09/2020
Time : 7.30am to 11.00am

TDK GAS
BOOKING UPTO : 06/09/2020
VALID FROM : 03/09/2020
HOME DELIVERY
ONLY CONTACT NO:
6909614353/8731992324

KHUMBONG INDANE
Booking upto : 01/09/2020
Only home delivery (within 3 days)
Contact No. 7005771527
Office No. 9774068549
Whatsapp No. 8794973019
Time : 7.30am to 10.00am

JEMON GAS SERVICE SINGJAMEI CHINGAMATHAK
Booking upto : 14/09/2020
Valid from : 25/08/2020
Time : 8:00am to 11:00am
Call only A) 6033989480 Naoriyapakhanglakpa, Keishamthong, Sagolband.
B) 6033989481 Singjamei, Yaiskul, Wangkhei, Langthabal
C) 6033989482 Thongju , Khurai Wangoi, & other
Please complain Delivery after 4 days, Booking After Delivery

M/S MANIPUR POLICE GAS SERVICE
BOOKING DATE : 08/07/2020
Time: 11.00am to 2.00pm
Booking and Any enquiry
Contact No. 7629045883

M/S MISAO GAS SERVICE
ONLY HOME DELIVERY
Booking Upto 14.2kg-16/10/2020
Valid from-25/09/2020
***19kg Available
For delivery service Please contact -7085738631or 8119967523
Call Timing:8:00AM to 2:00PM

MM GAS SERVICE
HOME DELIVERY ONLY
NO PHONE CALLS
ONLY SMS OR WHATSAPP
TIMING : 7:00AM TO 12:00NOON
BOOKING UPTO : 15/09/2020
VALID FROM : 02/09/2020
FOR ALL THANGMEIBAND, LAMPHEL 8131852580, 9774722106, 9089370369
WAHENGBAM LEIKAI, KEISHAMPAT, KEISHAMTHONG, KHAGEMPALLI, KWAKEITHEL, GHARI, SANGAIPROU, CHANGANGEI, MALOM 7630902992
YAISKUL, SINGJAMEI, KAKWA, HEIRANGOITHONG, HAOBAM MARAK, PISHUM, MONGSANGEI, LANGTHABAL 6009689299
FOR SAGOLBAND, TAOBUNGKHOK, PATSOI, YUREMBAM, SAGOLTONGBA, LANGJING, SALAM 7627968997
FOR LANGOL 7085977502
URIPOK, SINGDA, LAMDENG, AKHAM, MAYANG LANGJING 7085198900/8131942156
FOR IMPHAL EAST AREA 7005281388, 6009885600
FOR OTHERS AREA 9612009063, 9862792731, 7628094160
DELIVERY WITHIN 3 DAYS

IMPHAL LPG SERVICE
Home Delivery upto 01/11/2020
Summit house no. LPG ID no
Address with land mark also
degital transaction and online payment encourage
5.kg 19.kg available
Enquiry number 6009392991
8014389420
9612718751 Enquiry time 8.30 to 1.pm please do not contact drive and handy man except office no i.e. office no

M/S ASHANGBI INDANE, SUGNU
Booking upto : 05/09/2020
Valid from : 01/09/2020
Stk. : 306
Only home delevery
Call to 7629966437
From : 8.00am to 2.00pm

HIYANGTHANG INDANE
Booking upto : 05/09/2020
Only home del.
Cont.no. 7005934398, 7629076494, 8787330040
Whatsapp No. 7085557686
Office No. 6381538861
Timing : 7.00am to 11.00am

MAIBIA GAS MOIRANG
BOOKING UPTO: 18/09/2020
VALID FROM: 16/09/2020
STOCK= 306
(HOME DELIVERY SERVICE)
CONTACT NOS. 1.DILIP-9612883295 (MOIRANG A/C).
2. AJAY--7005667570 (THANGA A/C), 3. AMARJIT-9862710469 (KUMBI A/C).BOOKING CONTACT NO. 7085972248.
TIMING--8 AM TO 12 NOON.

M/S LAMBODARA INDANE SERVICE
Booking upto : 10/10/2020
Valid from :
Delivery date 03-11-2020
Home Delivery only.
For registration
SMS IOC<space> 03852427434<space>consumer no. to 9089024365.
For booking
SMS IOC to 9089024365.
Contact : +91 70053 82686 for enquiry. from 8.00am 11:30am

LEIBAKLEI GAS SERVICE KAKCHING
BOOKING UPTO : 23/09/2020
VALID FROM : 07/09/2020
STOCK : 612
HOME DELIVERY ONLY.
CONTACT NOS: 9862836403, 8415050488, 9862283423
CALL TIME : 7.00AM T0 10.00AM

‘এগ্রিকলচর মিনিষ্টরনা ইলেক্সন কেম্প্যেন তৌদুনা লৈখিবদগী লৌমীশিংগী লাইবক তঙ্বা ঙমদ্রে’

ইম্ফাল, নবেম্বর ০২(ঐচ এন এস) :

শিংজমৈ কৈথেলদা লৈরিবা ইরাবত ফাউন্দেসন মণিপুরগী সেক্রেটরি জেনরেল গোপেন লুৱাংনা ঙসি থোরককখিবা চেরোল অমগী মতুংইন্না লৌমীশিংগী অৱাবদা মতেং পাংবীগদবা অমসুং খুদোংচাদবা কয়া য়েংশিনবীগদৌরিবা ষ্টেটসিগী এগ্রিকলচর মিনিষ্টরনা ইলেক্সন কেম্প্যেনদা তাওদুনা লৈখিবদগী লৌমীশিংগী লাইবক তঙ্বা ঙমদবগী ফীভম ওইহল্লকপদা নত্তনা মহাক্কী দিপার্টমেন্ট অসিসু মপু পান্দবগা চপ মান্নরে হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, কুম খুদিংগী লৌমীশিংনা ঈচাওগী নৎত্রগা ঈকংগী অৱাবা থেংনদুনা লাকপগী মনুং চন্না হন্দক চহীসিগী ওইনসু খঙহৌদনা চুরকখিবা অকনবা নোংনা মরম ওইদুনা কোভিদ-১৯গী অৱাবা মায়োক্নরিঙৈগী চৈরক্তা লৌবুকশিংদা পাক্তক্না ঈশিং হাজি লল্লক্তুনা মাঙহনবা হৌরে। হায়রিবা থৌদোকশিংসিগী মাঙওইননা ইরাবত ফাউন্দেসন মণিপুরগী মায়কৈদগী মমল য়াল্লবা পাৎশিং কল্লু, লৌবুকশিংদা ঈথৈ লৌখোংগী ফীভম ফজহল্লু অমসুং এম জি এন আর ঈ জি এসকী থবক শুদা ঈথৈ লৌখোংশিং ওইনা তৌহনবীদুনা শুরিবশিংসু শেল ফংহল্লু অদুগা লৌবুক্তসু কান্নবা পীয়ু হায়দুনা ফোঙদোকপা লৈখ্রে। অদুবু নোং খজিক্তং চুরকপদা খাওদোল্লবা লৌশিং লৌবুক্তা মতোন থোকপা, মরা তারকপা অসিগী মতাংদদি মরী লৈনরিবা এগ্রিকলচর লোইশঙ অমদি রিলিফ এন্দ দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট লোইশঙনা চপ চাবা রিপোর্ট অমা পুথোকপা ঙমদবা অসি লৌমীশিং অসিগী অৱাবসি কনানা মতেং পাংবীগদৌরিবনো হায়নসু হংলক্লি।

ওইরক্লিবা ফীভম অসিনদি লৌমীশিং মীগী শেন্দোলনা খ্বাং কোয়বা হায়বা ফীভমদু ওইহল্লক্কদৌরি। সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টতগী মতম মতমগী মতুংইন্না ঈকং অমদি ঈচাও মায়োক্ন বগীদমক লাকখিবা শেলয়াম মতম চানা শীজিন্নখিদবনা ফীভমশিং অসি ওইহল্লকপনি। অদুম ওইনমক ষ্টেটসিগী এগ্রিকলচর মিনিষ্টরনসু লৌমীশিংগীদমক অখন্নবা মীৎয়েং চঙবীদ্রবনিনা চীফ মিনিষ্টরনা মীৎয়েং চঙবীদুনা ঈশিংনা মাঙহল্লবা লৌবুকশিংগী চপ চাবা রিপোর্ট অমা পুথোকপীয়ু। লোয়ননা মদুগীদমক পীফম থোকপা তেংবাঙশিং পীবিয়ু হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

‘এ দি সী মীখলগী থবক লৌখৎত্রবদি পুং ৪৮গী বন্দ চত্থরগনি’

তেংনৌপল, নবেম্বর ০২(ঐচএনএস) :

ওল ট্রাইবেল ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন মণিপুর (অটসুম) না মণিপুরগী ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিল (এ দি সী) ৬কী মীখল অথুবা মতমদা তৌগদবনি হায়বা দিমান্দ তৌরদুনা নেসনল হায়ৱেশিংদা পুং ৪৮গী বন্দ অমদি মণিপুরদা পায়খৎলিবা নেসনল প্রোজেক্টশিংগী থবক থৌরমশিং থিংগনি হায়না তৌরম্বদগী লৈঙাক্তা ৱারী শানবদগী নুমিৎ ১০নি খোঙজং হন্দোকখিবা অদু ঙসি নুমিৎ ৮নি শুরবা ফাওবা লৈঙাক্না করিগুম্বা মখল অমত্তা থবক ওইনা পায়খৎলকপগী মমি উদ্রি। নবেম্বর ৪ ফাওবদা করিগুম্বা মখল অমত্তগী থবক পায়খৎপীদ্রবদি মখা তাবা চেরোল থোকপা অমদি খঙহনবা তৌদনা নবেম্বর ৫দগী পুং ৪৮গী ইন্টর ষ্টেট বন্দ তৌবা য়াওনা নেসনল প্রোজেক্টশিং থিংবগী খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়না অটসুমনা লৈঙাক্তা চেকশিন ৱা থল্লক্লি।

ঙসি তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরদা লৈবা কুকি ষ্টুদেন্টস ওর্গনাইজেসন (কে এস ও) তেংনৌপল ব্লোক্কী ওফিসতা পাঙথোকপা পাউমীশিংগা উনবা অমদা অটসুমগী প্রসিদেন্ট সৈবোই হাওকিপনা ফোঙদোকপদা হৌজিক লৈরিবা এ দি সীগী মতম অসি চহী অসিগী জুন, জুলাইদা লোইশিল্লগদবনি, অদুবু লৈঙাক্না থা ৬কী মতম শাংদোরকখিবনি। শাংদোরকখিবা থা ৬ অসি ওক্টোবর/নবেম্বরদা লোইদুনা মীখল পাঙথোকফম থোকপনি। মসিদসু লৈঙাক্না মীখল পাঙথোল্লবগী থৌরাং অমত্তা পায়খৎলকপা উঙবদগী অটসুমনা অটসুমগী মখাদা লৈবা য়ুনিটশিংগা ৱা তানদুনা সেপ্টেম্বর থাদা লৈঙাক্তা ৱাকৎ চেরোল পীরগা তকশিন্দুনা লাকখিবনি। লৈঙাক্না করিগুম্বা থৌরাং অমত্তা পায়খৎলক্তবদগী মমাঙ থা ওক্টোবর ২৬কী অয়ুক্তগী নেসনল হায়ৱেশিংদা পুং ৪৮গী বন্দ য়াওনা নেসনল প্রোজেক্টশিংগী থবক থিংবগী খোঙজং চঙশিনগনি হায়না লাউথোকখিবনি। অদুবু লৈঙাক্না অটসুমগা ওক্টোবর ২৫দা ৱারী শানদুনা নুমিৎ ১০নিগী মনুংদা ষ্টেট কেবিনেট ফমদুনা পুথোল্লগা মীখলগী থবক থৌরমশিং লৌখৎলগে হায়না থাজবা পীরকপদগী অটসুমগী খোঙজং অদু নুমিৎ ১০নিগী ওইনা হন্দোক্তুনা লাকখিবনি।

সৈবোই হাওকিপনা মখা তানা হায়খিবদা, লৈঙাক্না ৱারী শানবদগী হন্দোরকখিবা খোঙজং অদু ঙসি নুমিৎ ৮নি শুরে, নবেম্বর ৪দা নুমিৎ ১০নি শুগদবনি। অদুমকপু ঙসি ফাওবা লৈঙাক্না এ দি সী মীখলগা মরী লৈনবা থবক থৌরম অমত্তা পাঙথোল্লকপা অমদি থবক্তা ওন্থোরকপা উঙবদগী ঙসি অটসুম অমদি চৎমিন্নরিবা য়ুনিটশিংগা লোয়ননা কে এস ও তেংনৌপল ব্লোক্কী ওফিসতা ৱা খন্নরবা মতুংদা হান্না চঙশিনগনি হায়না লেপ্পখিবা নেসনল হায়ৱেশিংদা পুং ৪৮গী বন্দ য়াওনা নেসনল প্রোজেক্টশিংগী থবক থিংবগী খোঙজং মখা তাবা চেরোল অমা থোক্তনা অমুক হন্না নবেম্বর ৫দগী চঙশিনবা হায়না লেপ্পখ্রে হায়খি।

অমরোমদা, কনাগুম্বা খরনা মশাগী মরন্নাই ইন্টরেষ্টতা হান্না থা ৬ শাংদোক্তুনা লাল্লবা এ দি সী অসিবু অমুক হন্না থা ৬ অমগা শাংদোল্লবা হোৎনরিবা অসি তৌবীগনু। মদু মীয়ামগী দেমোক্রেটিক রাইট্স মৎপনি। এ দি সী অসি মীয়ামগী ওইবনিনা শেংনা থমসি। মাগী মাগী অপান্বদা পংতৌ তৌবা অদু তৌবীগনু হায়নসু আপিল তৌখি।

এন আই এনা থিংজিল্লকপা সলাই অমসুং স্মার্ট সোসাইটিগী ওফিসশিং...

লামায় ১গী মখা... ব্রাঞ্চশিংদা থি-হুন্বগী থবক চথনবগী পর্মিসন ক্রিমিনেল মিসেলিনস কেস নম্বর- ২১৯ ওফ ২০১৯গী মতুংইন্না লৌরগা গ্রুপ অসিগী মায়োক্তা ইনভেষ্টিগেসন চথবা হৌরকখিবনি।

অদুবু গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়রস (সী টি সী আর)গী ওর্দর এফ. নম্বর- ১১০১১/৫৬/২০৯/এন আই এ অমা নবেম্বর ১১, ২০১৯দা পীরকপদগী লম্ফেল পুলিসনা সলাইগী মথক্তা লৌখৎলম্বা কেস অসি এন আই এ গুৱাহাতিদা ট্রান্সফর তৌনবা খঙহল্লকখি। এম ঐচ এগী ওর্দর অসিগী মতুংইন্না নবেম্বর ২১, ২০১৯দা এন আই এ গুৱাহাতিনা সলাইগী মথক্তা কেস অমা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখি। কেস অদুগী এফ আই আর নম্বর- আর সী-১২/২০১৯/এন আই এ- গুৱাহাতিনি। কেস অসি ইন্দিয়ন পেনাল কোদকী সেক্সন ১২০(বি)/১২১/১২১(এ)/১২৩/১২৪ (এ)/১৫৩ (এ)/৫০৫ (বি) অমসুং অনলোফুল এক্টিভিটিজ (প্রিভেন্সন) এক্টকী সেক্সন ১৩ অমসুং ৩৯ গী মখাদা রেজিষ্টর তৌবনি।

ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সী অসিনা কেস অসি লৌখৎখিবদগী চথরকখিবা মসিগী ইনভেষ্টিগেসনদা তোঙান-তোঙানবা সলাইগী ব্রাঞ্চশিংগী একাউন্ট ৫৩ ফ্রিজ তৌদুনা থল্লকখিবগী মথক্তা সলাইগী মেন ওফিস বিল্ডিং, মসিগী সব-ওফিসশিং অমদি সলাইগী স্মার্ট সোসাইটিশিং থিংজিন্দুনা থল্লকখিবনি। অদুম ওইনমক সলাইগী মায়কৈদগী গ্রুপ অসিগী অনৌবা মেনেজিং দিরেক্টর অমসুং স্মার্ট সোসাইটিগী জেনরেল সেক্রেটরি ওইরবা কৈশামথোং এলাংবম লৈকায়দগী এলাংবম ব্রোজেন্দ্রো (৪২), অপোকপা লৈখিদ্রবা ঈ ভুবনেশ্বরনা পিটিসনর ওইদুনা নেসনল ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সী (এন আই এ) গী মায়োক্তা ৱাকৎলকখিবনি। ৱাকৎ অসি ইম্ফালগী উরিপোক চৈরাপ কোর্ট কমপ্লেক্সতা লৈবা স্পেসল জজ (এন আই এ), মণিপুরগী কোর্টতা ৱাকৎলকখিবনি। মহাক্কী ৱাকৎ অসিদা পিটিসনরনা ফোঙদোল্লিবনা এন সমরজিৎ হায়রিবা মীওই অসি সলাইগী বোর্দ ওফ দিরেক্টরগী মেম্বর অমা ওইরম্বদগী লৌথোকখ্রে। মহাক হৌজিকগ্রুপ অসিগা মখল অমত্তগী মরী লৈনদ্রে। মহাক্না ফোঙদোকখি হায়রিবা ৱাফমশিং অদু মহাক মশাগী মরন্নাই ওইবা ৱাফমশিংনি। মরম অসিনা থিংজিন্দুনা থল্লক্লিবা গ্রুপ অসিগী ওফিসশিং অমদি ফাজিন্দুনা থল্লক্লিবা বেঙ্ক একাউন্টশিং হাংদোকহনবীয়ু হায়বসিনি।

কোর্টনা ৱাকৎ অসি লৌখৎতুনা ক্রিমিনেল মিসেলিনস কেস নম্বর- ৫৫ ওফ ২০২০ লৌখৎলগা মসিগী ৱায়েল চথরকখিবনি। অদুবু স্পেসল জজ মাইবম মনোজকুমারগী কোর্টতা মমাঙ থাগী ২৯দা হিয়রিং পাঙথোক্লগা রিজর্ভ তৌদুনা থল্লকখিবা মসিগী ৱায়েলগী ওর্দর ঙসি লাউথোকখ্রে। লোয়ননা পুন্না লামায় ৪০ পানবা কোর্টকী ওর্দর অসিনা খঙহনখিবগী মতুংইন্না সলাইগী মেন ওফিস বিল্ডিং, মসিগী সব-ওফিসশিং অমদি স্মার্ট সোসাইটিগী ওফিসশিং থা অসিগী ৪গী নুংথিল পুং ৪গী মমাঙদগী হাংদোক্কদবনি হায়খি। কোর্টকী ওর্দর অসি এন আই এগী ইনভেষ্টিগেটিং ওফিসরনা থবক্তা ওন্থোক্লবসু কোর্টনা খঙহনখি।

ওর্দর অসিনা মখা তানা খঙহনখিবদা, সলাই গ্রুপ ওফ কম্পেনি অমসুং স্মার্ট সোসাইটিগী কেস অসিগী ইনভেষ্টিগেটিং ওফিসর (আই ও)না ফ্রিজ তৌদুনা থল্লকখিবা বেঙ্ক একাউন্ট পুন্নমক হাংদোক্কদবনি। মসিগা লোয়ননা মখল পুন্নমক্কী বেঙ্ক ওথোরিটিনা মখোয় মশাগী ওইবা ওর্দরদগী নৎত্রগা কনাগুম্বা ওথোরিটিনা হায়রকপদগী থিংজিন্দুনা থল্লকপা সলাইগী বেঙ্ক একাউন্টশিংসু হাংদোক্কদবনি হায়খি। থবক অসিদসু কেস অসিগী হৌজিক এন আই এগী আই ও অমসুং মরী লৈনবা বেঙ্ককী ওথোরিটিশিংনা থবক্তা ওন্থোক্কদবনি হায়খি।

কোর্টনা মখা তানা পীখিবা ওর্দরদনা সলাইগ্রুপ ওফ কম্পেনি অমসুং স্মার্ট সোসাইটিগী ফাজিন্দুনা থল্লকখিবা বেঙ্ক একাউন্টশিং কোর্টতা লৈরিবা কেস অসি লোইশিন্দ্রিঙৈগী মনুংদা কম্পেনি অসিগী ফাইনান্সিএল ট্রাঞ্জেক্সন ওপরেট তৌবা ঙম্নবগীদমক জিমা বোন্দশিং এগজিক্যুট তৌরবা মতুংদা থাদোকখিগদবনি হায়খি। কোর্টনা পীবা দিরেক্সনগী মতুংইন্না এন আই এগী আই ও অমসুং ওফিসলশিংনা কেস অসিগা মরী লৈননা ফ্রিজ তৌদুনা থল্লকখিবা বেঙ্ক একাউন্টশিংগী লিষ্ট অমা কোর্টতা পীখৎলক্কদবনি। মরমদি লম্ফেল পুলিস ষ্টেসননা লৌখৎখিবা কেস অসিগী আই ওনা পীরকখিবা বেঙ্ক একাউন্ট নম্বরশিংগা পিটিসনরগী মায়কৈদগী পীরকখিবশিংগা খেন্নবা খরা লৈরে। মরম অসিনা হায়রিবা লিষ্ট অসি থা অসিগী ৪গী অয়ুক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা কোর্টতা পীরক্কদবনি হায়খি।

সলাইগী অনৌবা বোর্দ ওফ দিরেক্টরস অমসুং স্মার্ট সোসাইটিগী ঈ ব্রোজেন্দ্রো, এন বিশ্বজিৎ, এ কে দিপানন, সী ঐচ শ্যামসন অমসুং টি টিকেন্দ্রনা বেঙ্ক একাউন্ট পুন্নমক্কী তোঙান-তোঙানবা জিমা বোন্দ এগজিক্যুট তৌগদবনি। মসি বেঙ্ক একাউন্টশিংদা লৈবা অপুদেদ বেলেন্স এমাউন্টকী ওইগদবনি হায়খি। হায়রিবা জিমা বোন্দশিং অসি এগজিক্যুট তৌবা ঙম্নবগীদমক বেঙ্ক একাউন্ট পুন্নমক্কী অপুদেদ বেঙ্ক বেলেন্স ষ্টেটমেন্টশিং কোর্টতা সবমিট তৌগদবনি। মসিদা বেঙ্কশিংগী মেনেজরশিংনা মতেং পাংবগা লোয়ননা কোওপরেসন পীগদবনি হায়খি।

লোয়ননা এন আই এগী কেস অসি লোইশিন্দ্রিঙৈগী মরক্তা ফ্রিজ তৌদুনা থল্লম্বদগী জিমা বোন্দশিংগী মতুংইন্না থাদোল্লগদবা একাউন্টশিং অদু সলাই গ্রুপ ওফ কম্পেনি অমসুং স্মার্ট সোসাইটিগী বোর্দ ওফ দিরেক্টরগী মেম্বর অনীনা ওপরেট তৌগদবনি হায়নসু কোর্টনা দিরেক্সন পীখি। মেম্বর অনী অসিগী মনুংদা অমনা কেস অসিগী পিটিসনর অমসুং হৌজিক সলাই অমসুং স্মার্ট সোসাইটিগী মেনেজিং দিরেক্টর ঈ ব্রোজেন্দ্রোনা ওইরগা অমনা বোর্দ ওফ দিরেক্টর মরিগী মনুংদগী অমা খনগদবনি। অনীশুবা সিগনেটরি ওইগদৌরিবা মীওই অদুসু তোঙান-তোঙানবা বেঙ্ক একাউন্টশিংগীদমক রোটেসন্দা ওইনগদবনি হায়খি।

কোর্টনা এন আই এগী ইনভেষ্টিগেটিং ওফিসরদা থাদোল্লগদবা বেঙ্ক একাউন্ট বুকশিং অদু মসিগী পিটিসনর/জিমাদারদা পীদ্রিঙৈগী মমাঙদা ফোটো কোপীশিং লৌহৌনবসু কোর্টনা খঙহনখি।

মণিপুরগী ফোর্মর অমসুং সিট্টিং এম এল এশিংগী মথক্তা...

লামায় ১গী মখা... লৌখৎলম্বা থেংনদ্রে।

অদুবু ক্রিমিনেল কেসশিং মায়োক্নরম্বা সিট্টিং/ফোর্মর এম এল এশিংনা (১) নোংমৈকাপম সোভাকিরন, ৫৫ (এক্স-এম এল এ), অপোকপা এন কোমোল, উখোঙশাং ময়াই লৈকায় (হৈরোক এ সী)। মহাক্কী মথক্তা নোংপোক সেকমাই পুলিস ষ্টেসননা কেস এফ আই আর নম্বর- ১(১)২০১৭ অন্দর সেক্সন- ১৪৭/১৪৯/৪৫২/৩২৩/৩২৫/৪২৭/১২০-বি/৩৪ আই পি সী অমসুং ২৭ আর্মস এক্ট রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎলমখি। ৱায়েলগী মতুংইন্না চহী ৭ ফাওবগী ফাদোক লৈবগা লোয়ননা ফাইনসু থিগদবা কেস অসিগী চার্জশীট নম্বর- ১/নোংপোক সেকমাই পি এস/২০১৯ থাগৎলকখ্রে। চার্জশীট অসিগী মতুংইন্না জুদিসল মেজিষ্ট্রেট ফর্ষ্ট ক্লাস (জে এম এফ সী), থৌবালগী কোর্টনা জন্যুৱারী ২৪, ২০২০ দা ক্রিমিনেল (পি) কেস নম্বর- ১৩ ওফ ২০২০ লৌখৎলগা মসিগী ৱায়েল চথবা হৌরে।

(২) থোংজু অমসুং থাংমৈবন্দ এ সীগী সিট্টিং এম এল এশিং ওইরিবা থোঙাম বিশ্বজিৎ অমসুং খুমুকচম জয়কিষনগী মথক্তনা হৈঙাং পুলিস ষ্টেসননা কুমজা ২০১৬কী ওগষ্ট ৩০দা কেস এফ আই আর নম্বর- ১৫৬(৮)২০১৬ অন্দর সেক্সন- ১৪৮/১৪৯/১৫১/৩৫৩ আই পি সী রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখি। অদুবু ক্রিমিনেল কেস অসিদি রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎপগী মথংগী নুমীৎতা পুলিস ষ্টেসন অসিনা ফাইনেল রিপোর্ট নম্বর- ৩৭/হৈঙাং পি এস/২০১৬কী মতুংইন্না ওগষ্ট ৩১, ২০১৬ তা দিস্পোজ তৌখি। (৩) কৈশাম মেঘচন্দ্র (এম এল এ, ৱাংখেম এ সী) গী মথক্তা থৌবাল দাম পুলিস ষ্টেসননা এপ্রিল ১৮, ২০১৯দা কেস এফ আই আর নম্বর- ৩(৪)২০১৯ অন্দর সেক্সন ৩৫৩/৫০৬/৩৪ আই পি সী অমসুং সেদ্যুল্ড কাষ্ট/সেদ্যুল্ড ট্রাইব প্রিভেন্সন ওফ এট্রোসিটিজ এক্ট, ১৯৮৯গী সেক্সন- ১০ অমসুং রিপ্রজেন্টেসন ওফ পিপলস এক্ট, ১৯৫১গী সেক্সন- ১৩১(১)(বি)(২)গী মখাদা কেস অমা লৌখৎখি। কেস অসিগী চাজশীট (নম্বর-১/থৌবাল দাম পি এস/২০২০ ওগষ্ট ২২, ২০২০দা সবমিট তৌরকখ্রে। চীফ জুদিসল মেজিষ্ট্রেট (সী জে এম), ইম্ফাল ইষ্টনা কেসসিগী ৱায়েলগী থবক পায়খৎনবা থবক লৌখৎপা হৌখ্রে হায়রি। (৪) এম দি অব্দুল নাসির (এক্স-এম এল এ, লিলোং এ সী অমসুং বাই ইলেক্সন মীরেপ) কী মথক্তনা পোরোম্পাৎ পুলিস ষ্টেসননা নবেম্বর ২৬, ২০১২ দা কেস এফ আই আর নম্বর- ৪৯৯(১১)২০১২ অন্দর সেক্সন- ৩২৫/৪২৭/৩৪ আই পি সী অমসুং ২৭ আর্মস এক্ট রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখি। কেস অসিগী ফাইনেল রিপোর্ট (এফ আর নম্বর- ৩৫৪/পোরোম্পাৎ পি এস/২০১৩) দিসেম্বর ১৪, ২০১৩ দা প্রোজিক্যুসনদা থাগৎলকখ্রে। (৫) মোইরাংথেম হেমন্ত (এক্স-এম এল এ, ৱাংজিং তেন্থা এ সী অমসুং বাই ইলেক্সনগী মীরেপ) কী মথক্তা পোরোম্পাৎ পুলিস ষ্টেসননা কেস এফ আই আর নম্বর- ১৫৬(৬)২০১৩ অন্দর সেক্সন- ৪৫৭/৪৫৮/৫০৬/৪২৭/৩৮০/৩৪ আই পি সী রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখি। কেস অসিগী ফাইনেল রিপোর্ট (এফ আর নম্বর- ১৯১/পোরোম্পাৎ পি এস/২০১৯)না দিসেম্বর ৩১, ২০১৯দা প্রোজিক্যুসনদা থাগৎলকখ্রে। (৬) মাইরেম্বম পৃথিবীরাজ (এক্স-এম এল এ, মোইরাং এ সী)গী মথক্তনা মোইরাং পুলিস ষ্টেসননা কেস এফ আই আর নম্বর- ২৬(৩)২০১৭ অন্দর সেক্সন- ১৭১-ঈ আই পি সী অমসুং রিপ্রজেন্টেসন ওফ পিপলস এক্ট, ১৯৫১গী সেক্সন- ১২৫ মার্চ৬, ২০১৭ তা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখি। অদুবু চহী ৪গী ফাদোক লৈবগা লোয়ননা ফাইন থিগদবা নৎত্রগা ফাদোক নৎত্রগা ফাইন ওইনা থিগদবা কেস অসিগী চার্জশীট (নম্বর- পি এস- ৩/মোইরাং পি এস) ২০১৭না জুন ২৪, ২০১৭ তা থাগৎলকপদগী কেস অসিগী ৱায়েল চথবদা এক্স-এম এল এ অসি কেসসিদগী মমাঙগী কুমজা ২০১৯ দা কোর্টনা দিসচার্জ তৌখি। (৭) ওইনাম লুখোই (এক্স-এম এল এ, ৱাঙ্গৈই এ সী অমসুং বাই ইলেক্সনগী মীরেপ) কী মথক্তা ময়াং ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসননা কেস এফ আই আর নম্বর- ৫৫(৮)২০০৯ অন্দর সেক্সন- ১২১/১২১-এ/৩৪ আই পি সী, ২০ য়ু এ (পি) এমেন্দমেন্ট এক্ট অমসুং ৫- এক্সপ্লোসিভ সবষ্টেন্সেস এক্ট রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখি। হৌজিক কেস অসিগী ইনভেষ্টিগেসন চথরি।

(৮) হৈখাম দিঙ্গো (সেকমাই এ সীগী এম এল এ) গী মথক্তা ৱিমেন পুলিস ষ্টেসন ইম্ফাল ৱেষ্টনা জুন ১৯, ২০১৭তা কেস এফ আই আর নম্বর ১২ (৬) ২০১৭ অন্দর সেক্সন ৩৭৬/৪১৭ আই পি সী রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখি। কেস অসিগী ফাইনেল রিপোর্ট (এফ আর নম্বর ৭/দব্লিয়ু পি এস-ইম্ফাল ৱেষ্ট/২০১৮) না নবেম্বর ১৮, ২০১৮দা সবমিট তৌরকখি। অদুবু চীফ জুদিসল মেজিষ্ট্রেট (সী জে এম) ইম্ফাল ৱেষ্টনা লৌখৎপা ক্রিমিনেল মিসিলিনস (এফ আর) কেস নম্বর ৯৯ ওফ ২০১৮গী মতুংইন্না কেস অসি নবেম্বর ৩০, ২০১৮দা দিসপোজ তৌখি। (৯) ওক্রম হেনরি, এক্স এম এল এ ৱাংখৈ এ সীগী মথক্তা শিংজমৈ পুলিস ষ্টেসননা জন্যুৱারী ১১, ২০১৩দা কেস এফ আই আর নম্বর ১১(১) ২০১৩ অন্দর সেক্সন ৯এ/২৫এ/২৯, এন দি এন পি এস এক্ট রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখি। চহী ২০ ফাওবগী মেক্সিন্মম পনিসমেন্ট পীবা য়াবা কেস অসি ইম্ফাল এয়রপোর্টতগী কন্ত্রাবেন্দ দ্রগ কার্টন বোক্স তরেৎ ফাখিবগা মরী লৈননা লৌখৎপনি। অদুবু কেস অসি সেন্ট্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন (সী বি আই), কোলকটাদা খৎশিন্নখিবদগী এজেন্সী অসিনা কেস নম্বর আর সী-৭/এস/২০১৩ রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখি। কেস অসিগী চাজ শীট এপ্রিল ১৬, ২০১৬তা থাগৎলক্লগা মসিগী এক্যুজশিংগী মথক্তনা মে ২২, ২০১৭তা চার্জ ফ্রেম তৌখি। হৌজিক কেস অসি স্পেসল কোর্ট (এন দি এন পি এস), ফাষ্ট ট্রেক্ট কোর্ট মণিপুরদা প্রোজিক্যুসন ৱিটনেসশিং এগজামিন তৌবগী থবক চথরি। (১০) করাম শ্যাম (এম এল এ, লংথবাল এ সী) গী মথক্তা শিংজমৈ পুলিস ষ্টেসন্না ফেব্রুৱারী ২১, ২০১৭তা কেস এফ আই আর নম্বর ৭২ (২) ২০১৭ অন্দর সেক্সন ১৪৭/১৪৮/৫০৬/৪২৭/৩৪ আই পি সী অমসুং ২৭ আর্মস এক্ট রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখি। অদুবু পুলিস ষ্টেসন অসিনা কেস অসিগী ফাইনেল রিপোর্ট ফেব্রুৱারী ১৬, ২০১৯দা (এফ আর নম্বর ৫/শিংজমৈ পি এস/২০১৯) পীরকখিবদা দিসপোজ তৌখি। (১১) থোংজু অমসুং কৈরাও এ সীগী এম এল এশিং থোঙাম বিশ্বজিৎ অমসুং লৌরেম্বম রামেশ্বর মীতৈগী মথক্তা লম্ফেল পুলিস ষ্টেসননা জুলাই ৪, ২০২০দা কেস এফ আই আর ৭৬(৭) ২০২০ অন্দর সেক্সন ৩৪১/৩৪২/৩৪৭/৩৪৮/৩৫২/৩৮৫/৩৮৬/৪০৬/৪১৮/৪২০/১২০-বি রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখি। চহী ৭ ফাওবগী মেক্সিন্মম পনিসমেন্ট অমসুং ফাইন পীবা য়ারিবা কেস অসিগী ইনভেষ্টিগেসন হৌজিক চথরি। (১২) সাম্যুএল জেন্দাই (এক্স এম এল এ তমেংলোং এ সী) গী মথক্তা নোনে পুলিস ষ্টেসননা সেপ্টেম্বর ১৬, ২০১৮দা কেস এফ আই আর নম্বর ২২(৯) ২০১৮ অন্দর সেক্সন ৩২৫/৫০৬/৪৩৬/৪২৭/৩৪ আই পি সী অমসুং ২৭ আর্মস এক্ট রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখি। চহী ৭ ফাওবগী ফাদোক পীবা য়ারিবা কেস অসিগী ইনভেষ্টিগেসন চথরি। (১৩) য়ামথোং হাওকিপ (এম এল এ, সাইকুল এ সী) গী মথক্তা নেসনল ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সী (এন আই এ), গৌহাটিনা জুন ১, ২০১৮দা কেস এফ আই আর নম্বর আর সী - ০২/২০১৮ রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখি। পুন্সি চুপ্পগী ফাদোক পীবা য়ারিবা কেস অসি ইন্দিয়ন পেনাল কোদকী সেক্সন ১২০-বি, অনলোফুল এক্টিভিটিজ প্রিভেন্সন এক্টকী সেক্সন ২১ অমসুং ২৩ (১) অমদি আর্মদ এক্টকী সেক্সন ২৫ (আই এ এ) অমসুং ২৯, ৩০গী মখাদা লৌখৎপনি। কেস অসিগী চার্জশীট জন্যুৱারী ২৫, ২০১৯দা থাগৎলক্লবা মতুংদা মসিগী এক্যুজশিংগী মথক্তা চার্জ ফ্রেম তৌখ্রে। (১৪) ওক্রম ইবোবী (এক্স সী এম, এম এল এ) গী মথক্তা সী বি আইনা কেস নম্বর আর সী - ০১৭/২০১৯/০০০২ অন্দর সেক্সন ২১০-বি/৪২০ আই পি সী অমসুং প্রিভেন্সন ওফ করপসন এক্টকী সেক্সন ১৩ (২), ১৩ (১) (দি) মথক্তা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখি। অদুম ওইনমক কেস অসিগী ফাইনেল রিপোর্ট সী বি আই (গৌহাটি) দগী কোর্টনা ফংদ্রি। (১৫) ওক্রম ইবোবী (এক্স চীফ মিনিষ্টর, এম এল এ) গী মথক্তা সী বি আই (দিল্লি) না কেস এফ আই আর নম্বর-দি এস টি/২০১৯/এ/০০১১ অন্দর সেক্সন ৪২০/৪০৯/৪০৬/৪০৩/১২০-বি/৩৪ আই পি সী অমসুং প্রিভেন্সন ওফ করপসন এক্টকী সেক্সন ১৩ (২), ১৩ (১) (সী) গী মখাদা কেস অমা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখি। অদুম ওইনমক কেস অসিগী চার্জশীট মরী লৈনরিবা সেসন জজ/ইম্ফাল ৱেষ্টনা ফংদ্রি। (১৬) গাইখাঙম (এম এল এ) গী মথক্তা ভিজিলেন্স এন্দ এন্টি করপসন পুলিস ষ্টেসন নবেম্বর ১৯, ২০১৮দা কেস এফ আই আর নম্বর ৭(১১) ২০১৮ অন্দর সেক্সন ১২০-বি/৩৪ আই পি সী অমসুং প্রিভেন্সন ওফ করপসন এক্টকী সেক্সন ১৩(২), ১৩(১) (সী) গী মখাদা কেস অমা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখি। চহী ১০ ফাওবগী ফাদোক অমসুং ফাইন থিগদবা কেস অসিগী ইনভেষ্টিগেসন পেন্দিংদা লৈরি। (১৭) থোঙাম বিশ্বজিৎ (এম এল এ) থোংজু এ সীগী মথক্তা ভিজিলেন্স পুলিস ষ্টেসননা জুলাই ৫, ২০১১দা কেস এফ আই আর নম্বর ৫ (৭) ২০১১ অন্দর সেক্সন ১৩(১) (ঈ) প্রিভেন্সন ওফ করপসন এক্ট রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখি। অদুম ওইনমক চহী ১০গী ফাদোক অমসুং ফাইন লৌগদবা কেস অসিগী স্পেসল ট্রাইএল নম্বর ২ ওফ ২০১৪গা মরী লৈননা মে ২১, ২০১৫দা স্পেসল জজ (প্রিভেন্সন ওফ করপসন এক্ট), ইম্ফাল ইষ্টনা পীখিবা ওর্দরগী মতুংইন্না এম এল এ অসিবু কেস অসিদগী এক্যুট তৌখি। (১৮) থোকচোম লোকেশ্বর (এম এল এ, খুন্দ্রাকপম এ সী) গী মথক্তা ভিজিলেন্স এন্দ এন্টি করপসন পুলিস ষ্টেসননা মার্চ ২০, ২০১৯দা কেস এফ আই আর নম্বর ১(৩) ২০১৯ অন্দর সেক্সন ১২০-বি/৪২০ আই পি সী অমসুং প্রিভেন্সন ওফ করপসন এক্টকী সেক্সন ১৩ (২), ১৩(১) (সী) (দি) গী মখাদা কেস অমা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখি। চহী ১০ ফাওবগী ফাদোক অমসুং ফাইন পীবা য়ারিবা কেস অসিগী ইনভেষ্টিগেসন পন্দুনা লৈরি। (১৯) ডা. খুমুকচম রতনকুমার (এক্স এম এল এ, ময়াং ইম্ফাল এ সী) গী মথক্তা ভিজিলেন্স এন্দ এন্টি করপসন পুলিস ষ্টেসননা মার্চ ২০, ২০১৯দা কেস এফ আই আর নম্বর ১(৩) ২০১৯ অন্দর সেক্সন ১২০-বি/৪২০ আই পি সী অমসুং প্রিভেন্সন ওফ করপসন এক্টকী সেক্সন ১৩ (১) (সী) (দি) গী মখাদা কেস অমা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখি। কেস অসিসু হৌজিক পেন্দিংদা লৈরি। (২০) সলাম জয়, ৪৬ অপোকপা লৈখিদ্রবা এস কৃষ্ণদাস, শামুরৌ অৱাং লৈকায় (এক্স এম এল এ, বাই ইলেক্সনগী মীরেপ) গী মথক্তা নেসনল ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সী (এন আই এ) না কেস নম্বর আর সী-০৩/২০১১/এন আই এ গুৱাহাটি অন্দর সেক্সন ১৯/৩৯(২) অনলোফুল এক্টিভিটিজ (প্রিভেন্সন এক্ট) রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখি। হৌজিক কেস অসিগী ৱায়েল স্পেসল জজ, এন আই এ গুৱাহাটিনা এন আই এ কেস নম্বর ২/২০১২গী মখাদা ৱায়েল চথরি হায়রি।

সেন্টরদগী কোভিদ-১৯গী...

লামায় ১গী মখা... লৈনবগীদমক হীদাক-লাংথক পীবিদবা অসিনি। লোয়ননা হকচাং খজিক নুংঙাইরক্তবা মতমদা লাইয়েংবিনবা হায়রবসু মতম চানা লাইয়েংবগী খুদোংচাবসু ফংদে। চাবা-থকপগী মতাংদসু মতম চানা পীবিদবা অমদি টোইলেট অমসুং বাথ রুম কা হেন্না মোৎপা মরম্না কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবগী মথক্তা তোঙানবা লায়না কয়ানা নারক্কদরা হায়বগী চিংনবসু লৈরে অসিগুম্বা থৌওংশিং অসি অদুমক মখা তানা চৎথরবদি কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা মীওইশিং শিবগী চাং নোংম-নোংমগী হেনগৎলকপদা থীংবা ঙল্লোই।

সেন্টরদা লৈরিবা মীওইশিংনা হীদাক ফংদবদগী মশা-মশাগী য়ুমদগী হীদাক অমদি চান-থক্লবগী পোৎলমশিং পুহল্লকপগী অয়াবা পীবিরিবা অসিবুদি য়াম্না ফৈ। অদুমকপু পোৎলমশিং অদু পোজিটিভ ওইরবা মীওই অদুদা য়ুমগী মীওইশিংগা হকথেংননা উনহন্দুনা পীহন্নবগী থৌওং অসি য়াম্না লানবা থৌওংনি। থৌওং অসি সেন্টর অসিদা লৈরিবা মীওইশিংনসু তৌফম থোক্তে। অদুবু য়ুমদগী লাকপা মীওইশিং অদু উন্ননিংবা মরম্না অদুমক উনরি। মরম অদুনা সেন্টর অসিবু য়েংশিনবিরিবা মীওইশিংনা অসিগুম্বা থৌওং অসি মখা তানা তৌহন্দনবা অতোপ্পা লম্বী অমা পুথোক্তুনা য়ুম-য়ুমদগী পুনরল্লিবা পোৎলমশিং অসি সেন্টরগী মীওইশিংনা লৌশিল্লগা পীহন্নিংই। মরমদি পোজিটিভ ওইবা মীওই অদুগা তোয়না উন্নরবদি য়ুমগী মীওইশিংদসু লাইচৎ অসি শন্দোরক্নবগী অচৌবা মরম অমা শোয়দনা ওইগনি। লম্ফেলইখোংনাংখোংগী ষ্টেট কোভিদ ক্যের সেন্টরদা লৈরিবা অতোপ্পা নুপী অমনা ফোঙদোরকপগী মতুংইন্না সেন্টর অসিদা সেপ্তেম্বর থাদগী লৈঙাক্না ভিটামিন হীদাকশিং পীরকখিদ্রে হায়দুনা হীদাক পীবিদে। অদুবু য়ুমগী অতোপ্পা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা মীওই খরসু য়ুনাকোদা হংলিবা কোভিদ ক্যের সেন্টরদা লৈরি। মখোয়দদি হৌজিকসু অদুমক ভিটামিনগী হীদাকশিং পীরি হায়বগী পাউ ফংই। য়ুনাকো কোভিদ ক্যের সেন্টরদনা ভিটামিন হীদাকশিং পীরগা লম্ফেলইখোংনাংখোংগী ষ্টেট কোভিদ ক্যের সেন্টরদনা করিগীদমক পীবিদ্রিবনো? কোভিদ-১৯ লাকশিন্নবা হোৎনবদা সেন্টরনা থাদরক্লিবা শেনফমশিং কদাইদা শীজিন্নখ্রিবনো হায়বসি লৈবাক মীয়াম্না খঙনিংই। ঙসি ফাওবদা কোভিদ-১৯গী তোঙানবা হোস্পিটাল অমা ফাওবসু শেমগৎপা লৈত্রি। কোভিদকীদমক্কি হায়দুনা হাংদুনা লৈরিবা কোভিদ ক্যের সেন্টরশিংদসু পোজিটিভ ওইরবা মীওইশিংগীদমক মতিক চানা অনা-লায়েংবিবা অমদি হীদাক-লাংথক মপুং ফানা পীবসু নত্তে। সেন্টর অসিদা লৈনরিবা অসি লৈনিংদনা লৈবা মীওই অমত্তা য়াওদে। শুপ্পগী লায়না অসি অতোপ্পা মীওইদা শন্দোরক্তনবগীদমক লৈনরিবনি। মরম অদুনা লৈঙাক্না অমদি মরী লৈনবশিংনা অথুবা মতমদা ষ্টেট অসিদা কোভিদ ক্যের সেন্টরশিংদা লৈরিবা মীওইশিংনা হৌজিক-হৌজিক থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং থীদোকপীদুনা অৱাৎ-অপাশিং অসি মেনশিনবিয়ু। মদুনা লায়না লাইচৎ অসি লাকশিন্নবা হোৎনবদা অচৌবা মতেং ওইগনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা পাউচে অসিদা ফোঙদোরকখি।

বি জে পিনা নম্ফু-হাফু কয়া তৌদুনা...

লামায় ১গী মখা... লৈঙাক্লকপদগী লৈবাক অসিদা রেপ কেসকী থৌদোক লেপ্পা লৈতনা হেনগৎলক্লি হায়বসি পুন্নমক্না খঙনরবনি। অদুবু মরাল লৈবশিং মতিক চানা চৈরাক ফংহনবগী মতৌদি উবা ফংদে। নুপীবু ঈকায় খুম্নদবা অসিগুম্বা পার্টি অসিদা ভোট পীবা হায়বসি অচুম্বা ওইগদ্রা হায়বদু মীয়াম্না খন্থবীয়ু। বি জে পি লৈঙাক অসিনা লৈবাক অসিগী নহা ক্রোর ১২ রোমদা থবক পীগনি হায়খিবা অদুগী ওন্ন-তৈনবদা নহা ক্রোর ২০ গী থবকশিং মাঙহনখ্রে। কোংগ্রেস পার্টিদি মীয়ামগী য়াইফন্নবা মতম পুম্বদা থবক তৌখিগনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি। থৌরম অদুদা আই এন সীগী মীরেপ সলাম জয়না হায়খি, কনাগুম্বা তোঙান-তোঙানবা পোলিটিকেল পার্টিশিংগী ৱর্করশিংনা মীয়ামদা শেল পীননবা হোৎনরক্লবদি পুলিসতা পাউ পীবীয়ু। মীয়ামগী মমল য়াল্লবা ভোট অদু শেলগা মনত্রিল্লবা য়ারোই হায়বা খঙহনবীয়ু। মীখল অসিদা মীয়াম্না মায় পাকহনবীদুনা ৱাঙ্গৈই এ সী অমদি মণিপুরবু চাউখৎপা পুরক্লবা হোৎনবদা থৌদাং লৌমিন্নরসি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি। থৌরম অদুদা সী এল পিগী চীফ হ্বিপ কে গোবিন্দাস, এম এল এ এন লোকেন অমদি মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটিগী থৌ পুবা কয়াসু শরুক য়াখি।

রেকোর্দ ওইনা পুং ২৪গী মনুংদা ...

লামায় ১গী মখা... তেংনৌপলদগী ৪ য়াওরি। মীওইশিং অসি মণিপুরগী মপান দা চৎলুদবা ঙাক্তনি। নৌনা পোজিটিভ ওইরবা মীওইশিং অসি থারগা মণিপুরগী অপূনবা কেস মশিং ১৯,০৯১ য়ৌরে। কেসশিং অসি জেনরেল পোপ্যুলেসনগী ১৬,৩০৩ অমসুং সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেলগী ২৭৮৮ নি। লায়না-লাইচৎ অসি নারম্বদগী ফগৎলক্লবা কেস মশিংনা ১৫,৩৪৩ য়ৌরে। ফগৎলক্লবা কেসশিং অসি জেনরেল পোপ্যুলেসনগী ১২,৮৮১ অমসুং সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেলগী ২৪৬২ নি। ফগৎলকপগী চাংনা চাদা ৮০.৩৬ ওইরি। অদুগা কেস ৩৫৬৮ না এক্টিভ ওইরি। এক্টিভ ওইরিবশিং অসি জেনরেল পোপ্যুলেসনগী মীওই ৩২৪৬ অমসুং সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেল ৩২২ নি। লোয়ননা মীওই ২৭৮সু ঙসি দিসচার্জ তৌখ্রে হায়না চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

ইরং থোং তেকখিবগী মতাংদা...

লামায় ১গী মখা... ইম্ফাল-জিরিবাম হায়ৱে ফাওনদ্রে হায়বা পাউশিং পাউচেশিংদা ফোঙনরক্লে। মসিদা য়ুম্ফম ওইদুনা কম্মিসননা কেস অসি লৌখৎপনি। থৌদোক অসি কন্সষ্টিট্যুসন ওফ ইন্দিয়াগী রাইট টু লাইফ/লাইভলিহুদ ভাইওলেট তৌবদা নত্তনা আর্টিকেল ২১বু ভাইওলেট তৌবনি হায়খি। মরম অসিনা ঙসিগী প্রোসিদিংগী মতুংইন্না থৌদোক অসিগী মতাংদা কেস অসিগী রেস্পোন্দেন্টশিংনা খুদক্তগী ইনক্বারি তৌবগা লোয়ননা মসিগী রিপোর্ট অমা থা অসিগী ১৩ ফাওবগী মনুংদা কম্মিসনদা পীরক্নবা দিরেক্সন পীখি।

Every pregnant women should get tested for HIV during the first 3 months of pregnancy to prevent HIV transmission to their child.
HIV test is available free of cost at Integrated Counseling & Testing Centre (ICTC) at all govt health facility & nursing homes.
For more information call AIDS helpline no
1097
MACS
NACO
HL/B/6494/1 to 29 Nov. alt.